# চেলেঞ্জ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা সাইক্লোন (এ) অমদি য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনল্লগা শলাই হোল্ডিং প্রাইবেট লিমিটেদ শগোলবন্দ তেরা লৌত্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২১ না গ্রুপ–৫ থোক্লা খ্বাইদোক্কুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরকপা ২১ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা সাইক্লোন (এ) থাংমৈবন্দ অমদি য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটা ফাইনেলদা লম্বা তৌন্নরগনি।





চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা য়ুনাইটে ভেটরান কোলকটা অমদি এন সি ভি এফ সি চুড়চান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটনা এন সি ভি এফ সি চুড়চান্দপুরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ৺ লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটানা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্কুনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্কুনা চুড়চান্দপুরগী মায়কৈদা হেননা এটেক কনশিলক্কুনা প্রেসর পীশিনখি।

চুড়চান্দপুরগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা থাক্তা হোৎন্দুনা কোলকটনা চথরকপা এটেকশিংগী প্রেসরশিং অদু চুড়চান্দপুরগী গোল কিপ্পর জর্সি নম্বর ২০ মৱীয়ানা মথৌ খঙনা শান্দুনা কন্টেস অসিদা লৈনবা সেপ কয়া তৌখি।

অদুবু য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটনা হোৎনবা লেপ্তুনা শানখিবগী মমল য়াল্লবা মহে অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা কোলকটাগী জর্সি নম্বর ৮ সাইকট দাসনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা কোলকটাবু ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটগী জর্সি নম্বর ৬ দেবকুহার সাসমান অমঅদি জর্সি নম্বর ৩ বিজয়পাউলদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা কোলকটাগী জর্সি নম্বর ৮ সাইকট দাসনা তাদুনা লুপা লিশিং ১ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

চথরিবা ২১ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসিগী থার্দ প্লেসকী মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা এন সি ভি এফ সি চুড়চান্দপুর অমদি কে ভি এফ সি কোন্থৌজমগা শান্নগনি।

# সব–জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং অমদি ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা বর্ম্মপুর নহাবমদা লৈবা বাস্কেটবোল কোর্টিতা নুপামচাগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্কুনা অমদি নুপীমচাগী টিম ২ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৮ দগী চথরকপা ৩৬শুবা ষ্টেট সব–জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (বোইজ এন্দ গার্লস) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং অমদি ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দ মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই পি এস য়ু ললাম্বুংনা সি ৱাই এল সি চিঙামথকপু পাঞ্জল ৪৮–১৯ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ১৬–৭, অনীশুবা ক্বার্টরদা ৬–৮, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ১২–৪ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ১৪–০ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ লনচেনবনা পাঞ্জল ১৮,জর্সি নম্বর ৫ পাইখোম্বনা পাঞ্জল ৮,জর্সি নম্বর ১১ কৃষ্ণচারিয়ানা পাঞ্জল ৬,জর্সি নম্বর ৪ এল রাহুলনা পাঞ্জল ৬,জর্সি নম্বর ৮ গৌরাননা পাঞ্জল ৬,জর্সি নম্বর ৯ রোবার্টনা পাঞ্জল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৬ নিটসননা পাঞ্জল ২ চনখি।

মায়থিরবা সি ৱাই এল সি চিঙামথকী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১২ এস অথৌবা মৈতৈনা পাঞ্জল ১১,জর্সি নম্বর ৯ ই দিনিসন,জর্সি নম্বর ৮ এল লৈশেম্বা,জর্সি নম্বর ৪ লৈশেম্বা অমদি জর্সি নম্বর ১১ এল লক্কিনা পাঞ্জল ২ /২ চনখি।

টুর্নামেন্টগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দনা য়ুঠ ক্লব উরিপোকপু পাঞ্জল ৪৮–৩০ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ১৬–২,অনীশুবা ক্বার্টরদা ১২–২,অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৪–৬ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৬–১৮ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা ই এস য়ুগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ এস ঐচ ব্রানমুসনা পাঞ্জল ১৮,জর্সি নম্বর ৬ রুশিকন্তা,জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ ন্যুটন,জর্সি নম্বর ১২ এল নিটিসনা পাঞ্জল ৬ / ৬, জর্সি নম্বর ১৩ কে মেক্সিমসনা পাঞ্জল ৫,জর্সি নম্বর ১১ এম তেলহৈবা,জর্সি নম্বর ৫ ক্রিপরাজ,জর্সি নম্বর মোইদিলিংনা পাঞ্জল ২ /২ অদুগা জর্সি নম্বর ৮ থুইগোঙপৌনা পাঞ্জল ১ চনখি।

মায়থিরবা য়ুঠ ক্লব উরিপোক্কী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ ৱাই ৱীলসননা পাঞ্জল ১৪,জর্সি নম্বর ৯ এস মোহননা পাঞ্জল ১১ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ আর কে দেবরাজনা পাঞ্জল ৫ চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৪ তাবদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং অমদি বোলেরো সঙাই চুথেককগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৫ তাবদনা য়ুঠ ক্লব উরিপোক অমদি মোদেল ক্লব চিঙামখাগা শান্নগনি।

# টি কে দব্লিউ এ ট্রোফিদা জি ফাইবনা রোহিট এফ সি তেন্থাবু থোয়খ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এ)তেন্থা খোঙবাননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দ তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খায়দোক্কুনা চথরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জি ফাইব হৈরোক মায় পাক্কুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ৩১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই এ দি এ কুম্বী অমদি টি ৱাই দি এ থৌবালনা শান্নখিবা মেটচ অসি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২ শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা জি ফাইব হৈরোকনা রোহিট এফ সি তেন্থাবু গোল ৬–৩ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়রমদাইগী মিনট ২৩ চৎপদা জি ফাইবকী জর্সি নম্বর ১০ অরুননা গোল একাউন্ট হাঙলগা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু রোহিট এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ নোংপোকঙানবনা মিনট ২৫ চৎপদা গোল হন্দোক্কুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা হৈরোকগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৭ থোয়বনা মিনট ৩১,৩৭,৪০ চৎপদা গোল ৩ অদুগা ময়োনা মিনট ৪৫ চপিদা চনখি। রোহিট এফ সিগী গোল অদুনা অঞ্জুননা আউল গোল ওইনা মিনট ৩৯ অমদি অজেননা মিনট ৪১ অমদি ৪৯ দা চনখি।

# এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি ৱাই দি সি সি কৈরাও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর,এফ এফ সি অঙথনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্কুনা চথরকপা অহানবা য়ুমলেম্বম বিজেন সিংহ মেমোরিয়েল ভিলেজ ওপন ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি ৱাই দি সি সি কৈরাও মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এস এল ৱাই ও তেকচমনা টি ৱাই পি ও তোপপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এল ৱাই ও তেকচমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সোনমনিনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ দা চনখি। মেটচ অসিদা এস এল ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ২১ তোম্বদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

৩১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই দি সি সি কৈরাওনা ৱাই এফ সি হলইকপবু কিক ফোম পেনালটি মার্কদা গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্না লৈখি। গোলশিং অদু হুইকপগীনা বিক্কিনা মিনট ২৭ অমদি কৈরাওগীনা মিনট ৩৪ দা চনখি। ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা পেনালটি কাওন্নবদা কৈরাওগী এম জোন্সন, কে লঙাম্বা,এম দি রোহিৎ,এম দি মুসটাক অমদি এন দয়ানন্দনা গোলদা ওন্থোকখি।

# থোই এফ সি চরাংপাৎ অমদি ফোর ষ্টার অথোকপম ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

এন এল জি নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা এন জি এলগী গ্রাউন্দা চথরকপা ৪শুবা লাইময়ুম নোংথোন সিংহ নীংশিং মেমোরিয়েল ৭ এ সাইদ কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা থোই এফ সি চরাংপাৎ অমদি ফোর ষ্টার আথোকপমগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফোর ষ্টার অথোকপমনা তাঙ্খুল এফ সি তেকচম্বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা তাঙ্খুল এফ সি তেকচমগী জর্সি নম্বর ৫ সুভাসনা মিনট ১৫ চৎপদা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা ফোর ষ্টার অথোকপমনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্কুনা মেটচকী মিনট ৩১ অমদি ৩৬ চৎপদা ফোর ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১১ য়াসিরনা গোল হন্দোক্লগা ২–১ দা মাঙজিল থারগা মেটচ অসি মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ফোর ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১১ য়াসিরনা তাখি।

# ইপূধৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এম এফ এ অমদি পান্থোইবী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব,করামনা শিন্দুনা করাম কাঙজেবুং লম্পাক্তা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা চথরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মঙাল ফুটবোল একাদেমি অমদি পান্থোইবী এফ সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা মঙাল ফুটবোল একাদেমিনা গোপাল এফ সিবু গোল ৬–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম এফ এগী গোলশিং অদু কিরন মৈতৈনা গোল ২,শিটলজিৎনা গোল ২,লেল্লিন অমদি টোপরনা গোল অমমম চনখি। গোপাল এফ সিগী গোলশিং অদুনা অনন্দনা গোল ১ অদুগা জিমনা গোল ২ চনখি।

টুর্নামেন্টকী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এস দি সি অমদি এস এম জে গোল ১–১ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবকা অহুমশুবা গ্রাউন্দনা পান্থোইবী এফ সিনা হিজম এফ সিবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

# শিংজমৈ (এ) সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাঙখূৎনা শীন্দুনা শিংজমৈ কাঙশঙদা থা অসিগী ১২ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইপোক্কুনা ৮ শুবা মঙশাতবম ইবোয়াইমা অমদি পূন্যাইবটি নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ গী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্রা ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শিংজমৈ (এ) মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

শিংজমৈ (এ) অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র শান্নখিবা মেটচ অসিদা শিংজমৈ (এ)না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২৬–১৭ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শিংজমৈ (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ কাপ্তুনা পুন্না পাঞ্জল ২৬ স্কোর তৌখি।

অদুগা মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতনা পাঞ্জল ৯ কাপ্তুনা পুন্না পাঞ্জল ১৭ স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রা অমদি ওইনাম কেন্দ্রনা শান্নগনি।


IPS, CANCHIPUR

IPS SCIENCE & ARTS GROUP

ADMISSION OPENS FOR 2019

FOR CLASS XI

BOTH SCHOOL AND HOSTEL

RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM

FEATURES :

1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES

SL/4633/ 15 d/ALT.



Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.

- Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
- Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.

FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS

OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO


# তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফিদা এন কে এফ সি নোঙদা কমেং অমদি বি এস য়ু ককচিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৯ (এস এন এস) ঃ

ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্কুনা চথরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লল্লাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ সি লল্লাই (বি) অমদি য়োরবুং এফ সি দ্রো চৎখ্রে,অতোপ্পা মেটচশিংদনা এন কে এফ সি নোঙদা কামেং অমদি বি এস য়ু ককচিং মায় পাকখ্রে।



২৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এফ সি লল্লাই (বি) অমদি য়োরবুং এফ সি গোল ১–১ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। এফ সি লল্লাই (বি)গী গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ নাওথোইনা মিনট ১০ অদুগা য়োরবুং এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ ধনানা মিনট ২ দা চনখি।

৩০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দনা এন কে এফ সি নোঙদা কমেংনা পুপু পুংদোংম্ববু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এন কে এফ সি নোঙদা কমেংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ বিকেননা মেটচকী মিনট ৮ অমদি ২৯ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ১৬ জেমসনা মিনট ৪০ দা চনখি। মায়থিরবা পুপুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মঙালনা মিনট ৪ দা চনখি।

৩১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা বি এস য়ু ককচিংনা ই য়ু এস সি (বি) তেলৌবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। বি এস য়ু গী গোলশিং অদু রবিচন্দ্রনা গোল ২ অদুগা রাজেসনা গোল ১ চনখি।

# মিনরভা পঞ্জাবনা ৱিন্নর ওইখ্রে

কোলকটা, মে ২৯ (এজেন্সি) ঃ

ওল ইন্দিয়া ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরকপা হিরো জুনিয়র লীগ ২০১৮–১৯গী চেম্পিয়ন মিনরভা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লবনা ওইখ্রে।

কোলকটাগী কলিয়ানি ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ফাইনেল মেটচতা মিনরভা পঞ্জাব এফ সিনা বেঙ্গলুরু এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী মপু ওইখিবনি।

মায় পাক্লবা মিনরভা পঞ্জাবগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ হিমাসু জংগ্রানা মেটচকী মিনট ৪৮ অমসি জর্সি নম্বর ১০ তোঙব্রম মহিরোম সিংহনা মেটচকী মিনট ৬৫ চৎপদা চনখি।

জুনিয়র লীগ অসিদা মিনরভা পঞ্জাবনা হন্দক্কী সিজন অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবসিনা টিম অসিনা লীগ অসিগী থংনা–থংননা ৪রক শুবা ওইনা টাইতল লৌবা ওইরি।


MARKS TIME CLASSES

(MISSION FOR EXCELLENCE)

FOR CBSE CLASSES - IX, X, XI & XII

WANGKHEI MEIHOUPHAM LAMPAK, IMPHAL

ADMISSION GOING ON........

Classes commence from : 15th May 2019

The only CBSC Coaching centre you can rely on

SI / Package 15 days

PERFORMANCE OF MARKS TIMERS 2019

CLASS XII

CLASS X



OUR FEATURES :

- Small size, separate batches to meet different requirements of all students.
- Best team of experienced faculty whom you can rely on.

Perfect updated study materials - Repeated Tests.

100% Achievements - Per Batch 20 to 25 Students only.

FOR DETAILS CONTACT : 9436288300 / 7005596318 8837438207



CHAOKHAT KHONGTHANG

LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.

Last Date of form Submission 26th June,2019

অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবানিংবা মীওই খরা পামজে

Pliz Contact: 7005162621

SL / B / M / Packd.

Consolation Prizes



Mobile Handset
Television
Gas Frame
Mixer Grinder

Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com